**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১ ) ভারতনা নীংতম্বা ফংখিবা ৭৯ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি।

২) জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অন্তরজাতিগী ঙমখৈ পরিংশিংদা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপনা লৈবাক অসিগী শক্তমদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরক্লি। মসি থিংননবা হাই পৱার দেমোগ্রাফি মিসন হৌদোক্লগনি।

৩) মনিপুরদসু ঙসি নীংতম নুমিৎ পালন পাক শন্না পাঙথোকখি।
রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা রাজ্য অসিগী সি.এস.ওশিং অমদি মীয়ামগা পুন্না খুৎশমদুনা নুংশি চান্নবা অমদি অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনরি।

৪) ভগবান কৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ জন্মাষ্টমি হয়েং পাঙথোক্লগনি। রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমসুং

৫) ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপগী ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিং হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি।

------

ডেঃ ভারতনা নীংতম্বা ফংখিবা ৭৯ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা লাল কিলাদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখি।

জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহল্লবা মতুং মফম অদুদা তিল্লিবা মীয়াম অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অন্তরজাতিগী ঙমখৈ পরিংশিংদা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপনা লৈবাক অসিগী শক্তমদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা শিংনরক্লিবশিং মায়োকনবা হাই পৱার দেমোগ্রাফি মিসন হৌদোক্লগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবা, অপুনবা শক্তম অমসুং লৈবাক অসিগী নাগরিক অমা ওইবগী হক ঙাক্তুনা থম্বা ঙম্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-

শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী নহাশিংগীদমক পি.এম. বিক্সিত ভারত রোজগার য়োজনা হৌদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি। মসিগীদমক লুপা কোতি লাখ অমা খাক্তুনা থম্লে। স্কিম অসিগী মখাদা প্রাইভেট সেক্তরদা অহানবা ওইনা থবক ফংবা নহাশিংদা লুপা লিশিং ১৫-১৫ সরকারনা পীগনি। মসিনা নহা কোতি ৩ লাখ ৫০ দা কান্নবা ফংহনগনি। শেনফম অসি থা ৬-৬ কী ওইনা ইন্সটোলমেন্ট অনি থোকা পীগনি। মসিগী মথক্তা অনৌবা থবক পুথোকপগীদমক থবক পীরিবা মী অদুদা অনৌবা কর্ম্মচারি অমমম হাপ্পা খুদিংগী থা খুদিংগী লুপা লিশিং ৩-৩ পীগনি। চহি অসিগী দিৱালিদা নৌনা শেমদোক্লবা জি.এস.টিগী নেক্স জেনেরেসন পুথোক্তুনা নুমিৎ খুদিংগী শিজিন্নরিবা পোৎলমশিংদা লৌরিবা টেক্স হন্থনবা হোৎনগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা মতম খরা অসিদা লৈবাক অসিনা মহৌশাগী ওইবা অমাং অতা, ঈশিং ঈচাউ, চীং নীংখায়বা অমদি অতৈ থৌদোক কয়া মায়োকরি। রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মী কনবা, তেংবাং পীবা অমসুং খুন্দা লৈতাহন্নবগী থবক পায়খৎলি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিবু চাওখৎপা অমদি মরোমদোম লেপচবা লমদম অমা ওইহন্নবা সরকার অসিনা থবক কয়া পায়খৎলি। আত্মা নিরভর ভারত অসি ভিক্সিত ভারতকী যুম্ফমনি

অমসুং ঙসিদি ভারতনা লম খুদিংমক্তা মতমগা চুনরবা অনৌবা ইকো সিষ্টেম অমা শেমগৎলি।

শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিদা পুথোকপা পোখোক খুদিংমক শেল ইচং চংদনা মগুন লৈবা ওইহনগদবনি। লৈবাক অসিগী লৌমীশিং, ঙা ফাবা মীওইশিং অমদি শা ষন লোইরিবশিংগী মায়োক্তা পায়খৎলকপা থবক খুদিংমক্কী মায়োক্তা মহাকা পল অমা ওইনা থিংগনি হায়নসু শ্রী মোদিনা মখা তাখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী বজেৎকী অয়াম্বা শেনফমদি মীরমদগী পেট্রোল, দিজল অমসুং গ্যাস পুশিল্লকপদা চৎলি। সমুদ্রগী পোখোকশিং লৌনবা নেসনেল দিপ ৱাটর এক্সপ্লোরেসন মিসন হৌদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি। মসিগী মথক্তা সোলর, হাইড্রোজেন, হাইড্রো অমসুং ন্যুক্লিয়ার পৱার হেন্না পাকথোক চাউথোকবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

মদুগী মমাংদা লাল কিলাদা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা প্রধান মন্ত্রিনা রাজ ঘাৎতা চত্তুনা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী সমাধিদা লৈ কৎখি।

ডে (এল)ঃ লৈবাক অসিগী ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন থৌরম মনিপুরদসু ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি।

রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়--রাজ্য অসিদা হৌজিক তপা তপা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম হনজিল্লক্লি। কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা রাজ্য অসিগী সি.এস.ওশিং অমদি মীয়ামগা পুন্না খুৎশমদুনা নুংশি চান্নবা অমদি অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনরি। মীয়ামা খেনবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্তুনা রাজ্য অসি শান্তি লৈবা অমসুং চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নরশি হায়না রাজ্যপালনা আপীল তৌখি।

রাজ্যপালনা মখা তানা হায়- হৌখিবা থা খরা অসিদা রাজ্য অসিদা হিংশাগী থৌদোক অমদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরে। হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনশিং চথ্খদুনা খুৎশু খুৎলায় অমদি আইনগী ৱাংমদা থবক চথ্খবশিং ফাগৎলি। নোংমৈ লিশিং অহুম হেনবগী মথক্তা ফাগৎলে।  বোম অমদি অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎলে। য়াম্লবা ড্রগশিং অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি অকি অখঙ নংহনবদা চেন্নবা মীওই ৪০০ হেন্না ফাগৎলে। মহাকা হায়- লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমকসু তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া সরকারনা পায়খৎলি। রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম  অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্দুনা চাওখৎ থৌরাংগী মাইকৈদসু অকনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

মদুগী মমাংদা, রাজ্যপালনা মাস পাস পেরেড অমগী সলামি ওকখি। রাজ্যপালনা মথৌ নিংথিনা তৌবা মীওইশিংদা মেদল অমদি মনা মথুমশিংসু য়েন্থোকখি। তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিংসু উৎখি।

রাজ্য অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিংদসু নুমিৎ অসিগী মপুং ফানা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরালশিং পাইহনবা, তোঙান তোঙানবা পেরেদশিংগী য়েংশিনবা,  নিংথিজরবা মার্চ পাস পেরেদশিংগী সলামি ওকপা অমসুং কলা সংস্কৃতিগী থৌরমশিং পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। থৌরমশিং অদুদা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা কর্ম্মচারিশিংদা কম্মেন্দেসন সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম এট হোম ফঙ্কসন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেতরি, দি.জি.পি, সিভিল, পুলিস অমসুং মিলিটরিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং, শকাইরবা মীওইশিং, এৱার্দিশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা তিল্লিবা মীয়াম্বু তরামা ওকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা

হারমোনি ইন ফ্রিদম হায়বসিগী ভিদিও ক্লিপ্পিং অমসুং হর ঘর তিরঙ্গগী জগোই উৎখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লৈবাক অসিগী নিংতম নুমিৎ পালন থৌরম রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোকখি।

ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোকখিবা নিংতম নুমিৎকা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফাল ঈ-পাউ কাংবু পুথোকপা অখন্নবা পাউগী শক্তম তাবীরিবা পাউ অসি হেক লোইবগা শন্দোকচগনি।

নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লাল কিলাদা পীখিবা ৱারোলগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম শন্দোক্কনি। থৌরম অসি নুমিদাংগী পুং ৯ গী মণিপুরী পাউ হেক লোইবগা শন্দোক্কনি। খন্ন-নৈনবা অসিদা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী ইদিটর খোগেন্দ্র খোমদ্রাম শরুক য়াগনি।

কৃষ্ণ জন্মা (এল)ঃ ভগবান কৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ জন্মাষ্টমি হয়েং থৱানগী ২৩ নি পানবা নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি। কৃষ্ণ জন্মাষ্টমি নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা রাজ্যপালনা হায়- জন্মাষ্টমি হায়বসি ভগবনা কৃষ্ণগী পোকপা নুমিৎনি। মহাক্কী পুন্সি অমসুং তাকপীরম্বশিং অদুনা মীয়াম্বু ঙসিসু অচুম্বা লম্বীদা চৎপদা মতেং পাংলি। অসিগুম্বা শেংলবা নুমিৎ অসি পাঙথোক্তুনা ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীরম্বা মরুওইবশিং ধর্ম্মনা অধর্ম্মবু মায়থিবা পীরম্ব, নুংশিবা অমসুং অরানবশিংগী মায়োক্তা লেপ্পা ঙম্বগী থৌনা পীরম্বা অদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লে। জন্মাষ্টমি পাঙথোকপনা অমত্তা ওইবগী নুংশিনবা অদু চেৎশিনহনবগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিবু চাউখৎহনবা ঙল্লগনি।

কৃষ্ণ জন্মাগী থৌরম রাজ্য অসিগী মফম কয়াদসু পাঙথোক্কনি। ইস্কোন্না শিন দুনা কৃষ্ণ টত্তভা হায়সিগী মতাংদা সেমিনার অমা পাঙথোক্কনি।

নোং (এল)ঃ রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসি ময়াই ওইরপ নোং চুখি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা নুমিৎ খুদিংগী থোকপা নোংজ্ নুংশাগী পাউ মতুংইন্না ঙসি ককচিং জিলাদা মিলিমিতর ১৭.২ য়ৌনা নোং চুখি। তেংনৌপল জিলাদা মিলিমিতর ১৩, বিষ্ণুপুর জিলাদনা মিলিমিতর ১০.২, নোনেদা মিলিমিতর ৮.২, ইম্ফাল ইষ্ট মিলিমিতর ৭.২ গী চাংদা নোং চুখি। নোনে জিলাদা শাবগী চাং ঙসিগী ওইনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৬.৭১ ওইখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪.৪৮, ইম্ফাল ৱেষ্টদা ৩৩.২৫ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.৮২ শাখি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না হয়েং রাজ্য অসিগী জিলা পুম্নবদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি। ঙসি তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম অমসুং নোনেগী মফম কয়াদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি।

জিরিবাম, নোনে, সেনাপতি অমসুং তমেংলোংগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি।

কোবিদ (এল)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ মীওই মরি কোভিদ নাইন্তিনগীদমক টেষ্ট তৌখি। অদুমওইনমক পোজিতিভ ওইবা অমত্তা থেংনখিদে। রাজ্য অসিদা জন্ থাদগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ১,৬১৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৬১ পোজিতিভ ওহবা থেংনখি। হৌজিক এক্তিভ কেস ২ লৈরি। হায়রিবা এক্তিভ কেস অনি অসি হোম আইসোলেসন কেসনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৫৯ নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

ফুটবোলঃ ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপকী ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিং হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি।

অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ হয়েং শিল্লোংদা লৈবা জৱারহলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শিল্লোং লাজোং এফ.সিগা ইন্দিয়া নেভি ফুটবোল টিমগা শান্নরগনি।

অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা কোক্রাঝারগী সাই ষ্টেদিয়মদা বোড়োলেন্দ এফ.সি. অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ.সি শান্নগনি।

অহুমসু অমসুং মরিসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ নোংমাইজিং নুমিৎতা জমসেদপুর এফ.সি. অমসুং দাইমন হারবর এফ.সি- জমসেদপুরদা লৈবা জে.আর.দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নগনি। নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং অথেংবদা মোহন বগান সুপর জাইন্স অমসুং ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সি. কোলকাতাদা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেল মেটচশিং ওগষ্ট ১৯ অমসুং ২০ দা অমসুং ফাইনেলনা ওগষ্ট ২৩ দা শান্নগনি।

--হৌজিক শান্নবগী মখা তাবা পাউ --

ফেন্সিং (এল)ঃ উত্তরাখন্দগী হলদ্বানিদা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৮ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা কেদেট নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপকীদমক মণিপুর ষ্টেট ফেন্সিং টিমগী মহুৎ শিন্নবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। ফেন্সর নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাই এন.ই.আর.সিগী ফেন্সিং হোলদা থা অসিগী ১৭ কী অয়ুক পুং ৭ মখায়দা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লি। মসিদা টেকিকেল ওফিসিয়েলশিং, কোচ অমসুং সেনিয়র ফেন্সরশিংসু শরুক য়াবীনবা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এআর (এল)ঃ জাতিগী নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তমেংলেং জিলাদা হাফ মরাথোন অমা পাঙথোকখ্রে। কিলোমিটর মঙা, কিলোমিটর ১০ অমসুং কিলোমিটর ২১ গী ওইবা কেটেগোরি অহুম থোকা শিনখিবা মরাথোন অদুদা পুন্না মীওই ২৫০ না শরুক য়াখি।

------